ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

অহৈবী খাইদেম প্রমোদিনিগী ১০০শুবরকপা মপোক কুমওন থৌরম চহী অমা চুপ্পা চত্থরকপগী মনুং চন্না ক্লাকেথেল মোইরাং পুরেলদা লৈবা লৈকোলগী ওফিসতা ৭লক শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবীগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা

লৌবুক্তা তারিবা তিল খুদিংমক্কী তিল হিদাক কাপ্পসি অচুম্বা ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ লমশি অমদি পাঙ্গোং পাম্বী

খঙবা ৱাবা, খঙদ’য়াদবা ৱাফম খরা ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ মালেমবু ইমানি খন্না উপাল অমমম থাবদা নত্তনা ...

প্রসিদেন্টগী লমজেলদগী তোক্লোই, দোনাল্ড ত্রম্পপু ... ☛ লামায় ১০

লামায় ১২ ☛ য়ু সী সী ককচীংনা কে এফ সী ককচীং অদুগা ...

কুমজা ২০২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা দিলিমিটেসনগী মাঙওইননা মীতৈ-মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা রিপোর্ট অনী থাগদবনি হায়দুনা দল্লিয়ু এম সীনা শীন্দুনা সেকমাইজিন খুনৌগী মৈরা পায়বীশিংনা চৎখিবা মৈরাগী খোঙচৎ

ST STATUS FOR MEETEI
THE ONLY WAY FORWARD
MEEYAMGI KHOLLAO
SAVE OUR FUTURE

Vol. 48, Issue No. 110 | নোংমাইজিং, ইঙেনগী থানিল | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, July 21, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপনা হেমঞ্জিৎ ১সুং লিষ্থোইঙম্বীগী লংলা-লংজিন পীরকখিদ্রে

জুলাই ২০, ২০২৪ ফাওবগী মনুংদা সিক্যুরিটি এদভাইজরনা অঙাং ২গী লংলা-লংজিন পীগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবদগী ঙাইরক্লবসু পীরকখিদ্রে, টেলিফোন তৌরুবদসু পায়রকখিদ্রে, ঙসি অরোইবা ওইনা উনগদৌরি



হেমঞ্জিৎ ফিজম অমসুং লুৱাংবী লিষ্থোইঙম্বী হিজম

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লানগী অকনবা মতম ওইখিবা জুলাই ৬, ২০২৩দা ময়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদ্রবা মতুংদা সোসল মীদিয়াদা হাৎতোকপীখ্রে হায়বগী ফোটো থাগৎলকখ্রবা শগোলবন্দ তেরা তোংব্রম লৈকায়দগী লুৱাংবী লিষ্থোইঙম্বী হিজম অমসুং তাকয়েল কোলোম লৈকায়দগী হেমঞ্জিৎ ফিজমনা মফম খঙদনা লৈরকখিবা থা অসিগী ২৪দা মীতৈ থবানগী মতুংইন্না চহী অমা মপূং ফারগনি হায়রদুনা অঙাং অনীগী ইমুংগী মীওইশিংনা পাৎশোই এ সীগী হান্নগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

এসেমব্লি মীফমগী মাঙওইননা অপূনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা পায়বী লূপ্পা হায়

কুকি এম এল এ ১০না তোঙান তাখ্রবসু লৈহৌরিবা মীহুৎশিং পূনশিন্নদুনা নরমদমগী য়াইফনবা হোৎনগদবনি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : চৎলিবা থা অসিগী ৩১দগী হৌরদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৬শুবা মীফম হৌগদবা মতম নকশিল্লকপগী মাঙওইননা অপূনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা লূপ (য়াইরিপোক) কী মায়কৈদগী ঙসি নুংথিল পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্লদুনা হৌজিক্তি পোলিটিকেল পার্টি মান্নদে হায়দুনা অমনা অমদা মরাল শীজিন্নদুনা চিন্দা পাওদানদুনা লৈগদবা মতম নত্তে হায়রদুনা কুকিগী এম এল এ ১০ নত্তবা লেমহৌরিবা মীয়ামগী মীহুৎ খুদিংমক্তা অমত্তা ওইনা পূনশিন্নদুনা নরমদমগী য়াইফনবা হোৎনগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক লাইমনাই মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোলগী লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মৈরা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট অসেম ইবেতোম্বী লৈমনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারক্তুনা মীতৈশিংগী য়ুম কৈ মৈ থাবা, মীওই কয়া লাঞ্জেন্নদুনা তংদু লৈতাদনা লৈরক্লিবা চহী অমা হেল্লক্লবা ফাওবদা মীয়ামগী মীহুৎশিং অমগা অমগা লাউনদুনা লৈবগী মহুত্তা ইরমদম অসিগী য়াইফনবা হোৎনবীয়ু। লৈবাক থুগাইনবা, ঈরাং থোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংশিল্লিবা অসাম রাইফলশিং য়াম্না থুনা মণিপুরদগী হলহনখিগদবনি হায়খি।

মপান্দগী চঙলকপা নার্কো টেররিষ্ট কাঙবু অমনা মণিপুরদা চঙলক্লগা কাঙলূপকী ওইবা ঈরাং শাগৎতুনা সিপরেট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

নহা ১ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী লল্লাই পি এসনা কোল্লিবা টিনসিদ লম্বী পরিংগী তখেলগী ঙারম হায়না খঙনবা অদুগা হৈরোক তাখিবা য়াবা লম্বীগী মফম অমদা শকখঙদবশিংনা নহা অমা মমায়দা নোংমৈনা কাপশিন্দুনা হাৎলম্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লল্লাই পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা নহা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে হায়বা পাউ ফংবদগী চঙশিনখি অদুগা ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিং লাক্লবা মতুংদা হকচাং অদু ইনক্বেষ্ট তৌরবা মতুংদা মমিং মথা খঙদোক্লগা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌনবগীদমক জেনিমসকী মীরেলশঙদা থমখ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা নহা অদু মখূৎ অনী থৌরী অমনা চেৎনা তুংবুন্নরম্মী। মহাক মীওই অনীনা গাড়ী অমদা হাপ্লগা পুরক্লবা মতুংদা মফম অসিদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা ওইগনি হায়রি।

অদুম ওইনমক মহাকপু কনানা করি মরমগীদমক নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি। অদুবু থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎলগা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা হৌরে হায়রি। মীওই অসি হান্না য়ু জি গ্রুপ অমদা য়াওরম্লগা মণিপুর লৈঙাক্তা চঙজরক্তুনা লৈরকখিবা মীওই অমা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

কুকি টেররিষ্টশিংনা পুল্লপ হাৎখিবা মীতৈ অথৌবা ১৩গী নীংশিং খুভম শেমগৎকদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) :

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লানগী অকনবা তাঙ্কক ওইখিবা মমাঙগী কুমজা ২০২৩গী দিসেম্বর ৪দা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা

লৈবাক মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু : ১৩-ভিক্টিম ফেমিলিজ কম্মিটি

লৈথাও খুলদা কুকি ...মখা লমায় ৩ কলম...

য়ু পি এস সীগী চ্যেরমেন মনোজ সোনি রিজাইন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২০ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংলবা পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন অমা ওইরিবা য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী)গী চ্যেরমেন ওইরকখিবা মনোজ সোনি মহাক্কী সর্ভিস মতম লোইদ্রিঙৈদা চ্যেরমেনগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে।

মহাক কুমজা ২০২৯গী মে ফাওবদা কম্মিসন অসিগী চ্যেরমেন ওইখিগদবনি। অদুমকপু মহাক্না ফম অসিদগী রিজাইন তৌরক্লিবা অসিগী মতাংদা কম্মিসন অসিদগী ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মহাক্কী খোঙথাং অসি প্রোবেসনরি আই এ এস ওফিসর পুজা খেদকরগী মতাংদা হন্দক্তা থোকখিবা ৱাথোক অদুগা হীরম অমত্তগা মরী লৈনদে হায়রি।

মহাক্না চ্যেরমেনগী ফমদগী রিজাইন তৌরগনি হায়রক্লিবা অসি মহাক মশাগী লন্নাই ওইবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ভুবন চীংদা কুকি টেররিষ্ট অহুম শিখিবগী মায়োক্তা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ১৭তা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্টকী এস পিনা থোকখিবা চেরোল অমদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী ভুবন চীংগী মফম অমদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা কুকি টেররিষ্ট ৩ শিরে হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মায়োক্তা লৈখিদ্রবা টেররিষ্ট অহুম অদুগী অপোকপা মপা অনী অমসুং মচিল-মনাও অমনা ঙরাং লখিপুর পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মখোয় অহুম থা অসিগী ১৬কী নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা ওটোরিক্সো অমদা লাকপদা অসাম পুলিসনা কাবুগঞ্জ-অমজুর রোদতগী ফাখিবনি হায়বগা লোয়ননা কছারদগী লালবিয়াক্লুং মার, লালুংগোই মার অমসুং মণিপুরদগী জোসুৱা মারবু শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা হাৎখিবনি হায়রি।

মখোয় অহুম শিরে হায়বগী ফোটোশিং থা অসিগী ১৮দা ভাইরেল ওইরকখিবনি। মরম অসিনা থৌদোক অদুদা চেন্নবা অসাম পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীয়ু হায়নসু তকশিল্লকখি হায়রি।

সলাইগী বোর্দ মেম্বরগী য়ূমদা বোম অনী লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ুক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.১০ রোম তারকপদা শীংজমৈ পি এসকী মনুং চল্লিবা এন ঐচ-১০২গী মনাক্তা লৈরিবা শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায়দা লৈবা সলাইগী বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী মেম্বরনি হায়বা চিংথাম সমসন (৪৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা সী ঐচ চাউবগী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অনী লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্লে হায়রি।

বোমশিং অদু মীওই অসিগী শুমাংদা তাদুনা পোকখায়বদা বোম মচেৎনা পান্দুনা খামদুনা থম্বা গাড়ী তরুক অকায় অতোয় থোকখিবদা নত্তনা য়ূমগী থোঙনাওগী গ্লাস অমদি য়ূমথক্লক্চিংবদসু অমাঙ অতা থোকখি হায়রি।

বোম মচেৎনা পানখিবা গাড়ীশিংদি মারুটি জীপসি এম এন ০১-এ এস/৮৪৪২, টাটা টিয়াগো এম এন-০১/এ কে ৯৫৮৩, হুন্দাই আই-১০- এম এন-০১/দব্লিয়ু-৪০৮৫, মহিন্দ্র কে য়ু ভি ১০০ এম এন-০১/এ কে-৯৭৩৯ অমদি মারুটি ভেন এম এন-০১/এস-৩৯২৬নি হায়রি। থৌদোক থোকফমদা পুলিস লাক্তুনা য়েংশিনখ্রে। থৌদোক অসি সলাইগী মীওইশিংদা চত্থরকপা অহুমশুবা এটেকনি হায়রি।

এসেমব্লিদা মীতৈ-মৈতৈ মূৎখিদনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু : এম এম টি য়ু

MEETEI (MEITEI) TRIBE UNION
WANGKHEI KHUNOU NEAR CITIZEN CLUB
IMPHAL EAST DISTRICT MANIPUR, INDIA, PIN-795005
NO S.T. NO VOTE

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : থা অসিগী ৩১দগী হৌগদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৬শুবা মীফমদা মীতৈ-মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্দুনা ফূরুপ অসি মূৎখিদনবা কন্সর্টিসনগী ওইবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু অমসুং মণিপুরদা পাট্টা ফংদনা মতম কুইনা লৈরক্লবা মীওইশিংদা পাট্টা পীবা য়ানবা লেন্দ রিফোর্মেসন স্কিম অমা পুথোকপীয়ু হায়না এম এম টি য়ুনা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

আই এল পিগী সর্প্রাইজ চেক্কিং তৌরকপদা এম এল এ, অচৌ অশাংশিংনা অয়েৎপা পীবিগনু

JCILPS
JOINT COMMITTEE ON INNER LINE PERMIT SYSTEM

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবসি ইন্দিয়া মনুংদগী চঙলকপশিং অমসুং ইন্দিয়াগী মপান্দগী চঙলকপা ফোরেন্নর-ম্যান্মার, বাংলাদেশ অমদি নেপালনচিংবগী মীওইশিং হায়দুনা অনী থোক্না লৈরক্লিবনি। অদুবু এন আর সী চৎনহল্লবা মতুংদদি মখোয় অসি খন্দোক্লগা মশা-মশাগী লৈবাক্তা হলহনখিগদবনি হায়না জে সী আই এল পি এসকী কন্ভিনর ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

জেল ওথোরিটিনা ম্যান্মার দিটেন্যুদগী লুপা লিশীং ৫০ লৌখিবা লৈতে : এস পি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : ‘দি ৱায়র’ না মমাঙ থাগী ২৭তা ফোঙদোরকখিবা টেলিফোনিক ইন্টরভিয়ু অমদা ইন্দিয়া ফোর ম্যান্মার এদভোকেসি গ্রুপকী ফউন্দরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু অরানবা অমসুং য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমশিংনি হায়না মণিপুর সেন্ত্রেল জেল, ইম্ফালগী এস পি সোরোকখাইবম ভাদ্রিকানা ঙসি মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা পাঙথোকখিবা পাউজী মীফমদা ফোঙদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

নত্তবা লীচৎ চৎলম্বনি হায়বা নুপা ১, নুপী ১ কে সী পি-এম এফ এলনা ৱারকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : মণিপুরগী খুন্নাইদা শীংনবা অমা ওইরিবা নুপী ওইবীশিংদা হন্থনা য়েংদুনা নত্তবা লীচৎ চৎলম্বনি হায়বা নুপা অমগা মহাক্কা লমচৎ অসি চৎমিন্নরম্বনি হায়বা ময়ূম পাল্লবী নুপী অমগবু লালহৌলূপ কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীনা ফারগা ঙরাং নুমিদাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা পুথোক্তুনা ৱারকৱাক্লেংবা মতুংদা মখোয় মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

এন ঈ ঈ টি-য়ু জি-২০২৪গী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২০ (এজেন্সী): নেসনল টেষ্টিং এজেন্সি (এন টি এ) না লৌদুনা হৌখিবা মে ৫দা পাঙথোকখিবা নেসনল ইলিজিবিলিটি কম এন্ট্রান্স টেষ্ট- অন্দর গ্রেজুএট (এন ঈ ঈ টি-য়ু জি) ২০২৪গী রিজল্ট ঙসি লাউথোকখ্রে হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়বদা, রিজল্ট অসি থা অসিগী ১৮দা সুপ্রিম কোর্টনা পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না লাউথোকপনি।

শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা এন টি এ অমসুং এন ঈ ঈ টিগী ৱেবসাইটতগী রিজল্ট য়েংবা য়াগনি হায়রি। এগজামিনেসন অসি সেন্টর ৪,৭৫০দা পাঙথোকখিবনি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

চুড়াচান্দপুরদা লাইরিক তম্লকখিবী ইচানুপীবু মীতৈ ময়েক তম্বীয়ু হায়রুবদা তম্নীংলগা তম্মু, তম্নীংদ্রগা তোকউ হায়রকখি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম

চুড়াচান্দপুর খুগা তম্পাক্তগী খুঞ্জা অমা

(ঙরাংগী মখা...)

পাউচে অসিদা রোমানা মখা তানা হায়, ঐখোয়না নুমিৎতুদা য়ূম থাদোক্তুনা চেল্লকখিবা অদুদি মমাঙথক্তসু চুড়াচান্দপুরদা ঈরাং কয়া অমা থোকখ্রে, আই এল পিগী মতমদা ফাওবা থা ১ হেন্না লাঞ্জেন্নদুনা লৈখি অদুবু অদুমক য়ূমদা হঞ্জিল্লগা লৈবা য়াখিবনিনা করিসু থোইদোকপা তৌরোই খন্দুনা য়ূমদগী ফি ফাওবা অনী শুনা পায়রকখিদে। ফিজি-ফিন্নাদা হাপচবা শেল অদুসু লাঞ্জেন্নবদা তাহৌগনি হায়দুনা হঞ্জিল্লগা উপুদা থল্লমখিবনি। নুমিদাং অদুদা পাখৎনা লাঞ্জেন্নরকখিবনি অদুবু ঙসি চহী অমা হেন্না ইশাগী য়ূমদসু চঙবা ফংদবদা নত্তনা য়ূমসু মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রে অমসুং মৈরি মকুপ অমা ফাওবা লৈতনা য়ূম লৈরম্বা ইথোলসু তেমথোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐহাক সিফাইশিংবুদি থাগৎপা ফোঙদোক্লিংই মরমদি মখোয়না ঐখোয়বু লৌবা লাকপীরম্বদগী ঙসি মীতৈ ময়াম তেক্তা কায়দনা হিংবা ঙম্লিবনি। করিগুম্বা মখোয়না লৌথোকপীরমদ্রবদি মীতৈ পুম্নমক শিরম্বসু য়াই নৎত্রগা মীতৈ কয়া শিথ্রবগে হায়বগী মশীং ফাওবা খঙলমদবা য়াই। ঐখোয়না মেন রোদ য়ৌরকপদা খরা শাফরগদ্রা খল্লুবনি অদুবু মফম অদু য়ৌবদা হেন্না ৱাখি। মীতৈগী য়ূমশিং অয়াম্বা মৈ চাকপদা নত্তনা আই সী আই সী আই বেঙ্কসু মৈ থাখি। মীতৈগী পোৎ চৈশিং পুথোক পুথোক্তুনা ঐখোয়গী মীৎমাংদা মৈ থাবগী শক্তম কয়া উখিবদু অকিবগী ফীভম্নি। লম্বীদসু লৈনাং অমদি থাওথীনা পুমথন থনখি। অদুদা নত্তনা মৈখু অমদি গ্যাসশিং পোকখায়বগী মনম্না শ্বর হোনবা ফাওবা ৱাখি। চাদ-থক্তবদগী ৱাবগা শ্বর হোনবগী ৱাবগা অদুক্কী মতিক খুদোং চাদবা মরক্তা ন্যু সেক্রেটেরিএটতা য়ৌরকখিবনি।

সিফাইগী গাড়ী য়ামদবনিনা মশাগী গাড়ী লৈজবা মীওইশিংসু গাড়ী পুথোক্লরক্তুনা মী হোনবা হৌখি অদুবু লম্বীদা কুকিশিংনা নূঙনা থারকপা, অপায়বা পোৎনা থোল্লকপা, চৈতুপ্না কল্লকপা অমদি গাড়ী থৌরিবা মী ফাওবা চিংথরগা ফূবদা নত্তনা গাড়ীগী গ্লাসশিং উতুপ্না থোমদুনা থুগাইবদগী শোকপসু ময়াম য়াওখি। ঐখোয়না চৎলিবা লম্বী অদু ঐখোয় হিংগদৌরিব্রা নৎত্রগা শিগদৌরিব্রা হায়বগী চমম্নবগা লোয়ননা লাকখিবনি।

মিনি সেক্রেটেরিএটতা লৈরবা ফাওবা কাংশি খিং-খিংদুনা মীতৈশিং চৎখিগদৌরে, হাৎহৌরসি হায়না কৌথোক্লগা সেক্রেটেরিএট মনুংদা নোংমৈ পায়রগা ফাওবা চঙলকখি। চঙলকখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা নুপীসু য়াওখি। মরম অসিনা মীকুপ অদুদা ঐখোয় ঙসি শিরগদ্রা, হয়েং শিরগদ্রা হায়দুনা খনবা তাঞ্জা ওইখি। পীকখ্রবা অঙাংশিং ফাওবা চেক-মোক লাউদনা তুমিন-তুমিন্না লৈনখি।

ঐখোয়গী গাড়ীদু লম্বীদা কুকিশিংনা ফাজিনবদগী ত্রাফিক পুলিস অমনা য়ুনিফোর্ম শেৎলগা চঙদুনা থৌদোক্কে তৌবদা কুকিশিংনা ছো মুল্লগা গাড়ী অদুসু মুলহৌবদগী ঙসি ফাওবা গাড়ী অদুগী মফম খঙদ্রি। মিনি সেক্রেটেরিএতা নুমিৎ হুম্নি চাক অমত্তা চাবা ফংদনা ঐখোয় কেম্পস অদুদা লৈবা পুখ্রিগী অমোৎপা ঈশিং কাবা ঈশিং অদু নুপাশিংনা তারম-তারম্বা বোট্টল অমদি চেরংনচিংবদা শোকপীরক্লগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

অফস্পাগী মায়োক্তা হ্যুমেন টোর্চ ওইখিবা অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জনগী কুমওন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ২০ (ঐচএনএস) : অথৌবা পেবম চিত্তরঞ্জননা তমথীরবা এক্ট- আর্মর্দ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট (অফস্পা)-১৯৫৮গী অৱা চৈথেং খাঙলল্লিবা মীয়ামগী ৱারবা ইহুলবু শুপচিন্না পুদুনা ‘হিংনা-হিংনা শিববুদি শিনা-শিনা হিংবনা ফৈ’ হায়বা অচেৎপা ফিরেপ লৌদুনা হৌখিবা কুমজা ২০০৪গী ওগষ্ট ১৫, ইন্দিয়াগী নীংতম্বা নুমিৎতা মশানা মশাবু মৈ থাজদুনা মালেমগী মীয়ামদা অনৌবা থৌনা হাপ্পা ঙম্বা কথোকপগী প্রোটেষ্ট চত্থখিবা অমসুং থংনবা নুমিৎ ওগষ্ট ১৬তা পূন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবা নুমিৎনা লাকপদা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না মীয়ামদা ৱাফম খরা থল্লক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫